হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ০৬, ২০১৮, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৩৪ শুবা মশীং

# য়েলহৌমী কন্নবা বিল

## *য়েলহৌমী কন্নবা থৌরাংদা মায় ওনশিনবা চুম্মী*

কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৪গী মতুং তারকপদা বাংলাদেশতগী লোন্না চঙশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্লবগী পান্দমদা অসামগী নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) ফোঙখ্রে। কুমজা ১৯৮৫ দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধি অমসুং ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) না খূৎয়েক পীনখিবা অসাম একোর্দতা য়ূম্ফম ওইরগা কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৪গী মতুং তারকপদা বাংলাদেশতগী লোন্না চঙলকপা মীওইশিং মীতোপ ওইনা লৌনবা লেপ্পখিবনি। য়াম্না শেংনা হায়রবদা এন আর সী হায়বসি অসামদা লৈবা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজনশিংগী লিষ্টনি। কুমজা ১৯৫১ দসু এন আর সী অমা ফোঙবা লৈখ্রে। হায়রিবা এন আর সী অদুদা মিং য়াওবা, নৎত্রগা কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৪ দা ফোঙবা ইলেক্টোরেল রোলদা নৎত্রগা লৈঙাক্কী অতৈ মরুওইবা চে-চাং পূম্নমক লিগেসি দেটা হায়না খঙনরি। লিগেসি দেটাদা মিং য়াওদবা মীওইশিং মীতোপ ওইনা লৌবগা লোয়ননা অসামদা মখা তানা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়ানা লৈরি। এন আর সীদা মিং য়াওহন্নবগীদমক খ্বাইদগী মথৌ তারিবসি লিগেসি দেটাদা মিং য়াওবা নৎত্রগা লিগেসি দেটাদা মিং য়াওবা মীওইশিংগী মচা-মশুনি হায়না খুদম চাংদম পুথোকপদুনি। পীশিল্লকপা এপ্লিকেসন ফোর্মশিংদা য়াওবা অচুম-অরান কুপ্না য়েংশিল্লগা দ্রাফট এন আর সী ফোঙখি। মদুদা য়াওবা অরান-অহুই, চীৎথ-নাম্থহৌবা অমদি অশোয়বা পূম্নমক চুমথোক্লবগী খুদোংচাবা পীরগা জুলাই ৩০ দা ফাইনেল দ্রাফট ফোঙখিবনি। এন আর সীদা মিং য়াওনবগীদমক য়ূমথোং খুদিংগী এপ্লিকেসন ফোর্ম য়েন্থোক্লগা এপ্লিকেসন ফোর্ম অমমমদা মীওই তরুক ফাওবগী মিং ইরগা খুদম-চাংদম ওইবা য়াবা চে-চাংশিংগা লোয়ননা পীশিলহনখি। এপ্লিকেসন খুদিংমক ওফিসল ওইনা অচুম-অরান য়েংশিল্লবা মতুংদা অমুকসু য়ূমথোং খুদিংগী চৎতুনা ভেরিফিকেসন লৌখি। মদুগী মতুংদা দ্রাফট এন আর সী ফোঙখিবনি। অহানবা তাঙক্কী ওইনা এপ্লিকেসন ফোর্ম য়েন্থোকখিবা অমসুং লৌশিনখিবা ভিলেজ/ৱার্দ খুদিংমক্তা কুমজা ২০১৭ কী দিসেম্বর ৩১ দা অহানবা দ্রাফট এন আর সী ফোঙখিবনি। মতুং তারকপদা এন আর সী সেবা কেন্দ্র অমদি এন আর সীগী ৱেবসাইটতসু ফোঙখি। লোকল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স, সর্কল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স অমসুং দিষ্ট্রিক্ট রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সনা অরান-অহুই পূম্নমক চুমথোক্লগা ষ্টেটকী থাক্তা এন আর সীগী ফাইনেল দ্রাফট ফোঙখিবনি।

মীয়ামদা ক্লেম অমদি ওবজেক্সন তৌনবগী খুদোংচাবা পীজরগসু এন আর সীদা মিং য়াওহৌদবা মীতোপ কয়া অসামদগী লোন্না চঙশিল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী য়ূমথংননা লৈরিবা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং - অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনখি। নাকল অমরোমদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ পাস তৌনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা অসাম গন পরিষদ (এ জি পি) নচিংবা রিনজেল পার্টি কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্ল রক্লি। রিজনেল পার্টিশিংনা হায়রিবদি সিটিজনশিপ এক্ট, ১৯৫৫ এমেন্দ তৌরগা অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং পাকিষ্টানদগী চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি নৎত্রগা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগদৌরিবা থৌরাং অসিনা য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরগনি হায়বসিনি। অতৈ লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহল্লগা পাকিষ্টানদা মীওৎ-মীনৈ খাঙলিবা মুসলিম ফুরুপকী শিয়া অমসুং অহমদিয়াশিং লাপ্না ইন্থোক্তুনা থন্বীরে হায়নসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লি। তৌবগীবুদি য়ূম্লোন্নরিবা লৈবাকশিংদা মীওৎ-মীনৈ খাঙলিবা হিন্দু পূম্নমক ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়না কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন মতমদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না ৱাশকখিবনি। মতাং অসিদা খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি লাইনীং-লম্বীদা য়ূম্ফম ওইরগা ইন্দিয়াগী সিটিজনশিপ পীবগী ৱাফম অসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগদ্রা হায়বসিনি। মদুগীসু মথক্তা বিল অসি পাস তৌরকপা থোক্লবদি অসামদা হন্দক্তা ফোঙখিবা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সকী কান্নফম খঙদবগী ফীভমদা লাক্কদৌরি। কুমজা ১৯৭১ গী মার্চ ২৪গী মতুংদা চঙলকপা মীওই খুদিংমক মীতোপ ওইনা লৌগনি হায়না এন আর সীদা ময়েক শেংনা য়াওরগা নাকল অমরোমদা মপান্দগী চঙলকপা হিন্দু, সিখ, বুধিষ্ট, জেন, পার্সি নৎত্রগা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপা মীওইশিং ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহনগনি হায়রিবসি মীয়াম্না হরাও-হরাও য়ারক্কনি নীংদে। মসিগী মহুৎতা য়েলহৌমী কন্নবা থৌরাংদা ওইনা মায় ওনশিনবা চুমগনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### লমজাও অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী মরাইবক

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

লমজাও অপ্পর প্রাইমারি স্কুল ১৯৪৯ দা লিংখৎখিবা খা মায়কৈদা শীংথাবা য়ারিবা স্কুল অমনি। মতম শাংনা শেন্বী শাবীদবা অমদি শেমজিনবীদবনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংদি লায়রদুনা ভুত ফাওবা স্কুল অসিগী ক্লাসরূমশিংদা চঙনিংলোইদবা শক্তম ওইরকপদগী স্কুল অসিগী মহৈরোয় মশীং খঙহন হন্থখি। অদুনা, কুমজা ২০১২ গী মতমদা স্কুল অসিগী বিল্ডিং নৌনা শাবীনবা মতমদুগী লোকল এম এল এদা হায়জবদগী স্কুল অসিগী ক্লাসরূম অহুম শানবা এস এস এগী খূত্থাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা অয়া-চে থোরকখি। মতমদুগী স্কুলগী হেদ মাষ্টরনা চেন-চোংবা ৱাৎপা অমদি মায়পুননা চেনবী-চোংবীনবা লৈতবদগী স্কুলগী বিল্ডিং শাবগী মহুৎতা ফন্দ দ্রাইভ তৌখি। চেনবী-চোংবীনবা লৈত্রবদি লমদম অসিদা চাউখৎ থৌরাং অমত্তা মায় পাক্তে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙবীরবা ৱাফমনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা লোকল এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা স্কুল অসি শানবা (ক্লাসরূম অহুম) নবেম্বর থাদা অয়া-চে থোকখি। লাইবক থীবদি মতম অসিদা স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেসনা শেম্নল্লিবা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটি অসি কাঙলোন লৈতবা অমদি মিদ দে মিল অমদি অতৈ স্কুলগী খূদোংচাবা লৌবা য়ানবা শেন্বা কম্মিটি ওইরমদুনা অনৌবা কম্মিটি অমা শেম্নলগা স্কুল অসিগী ক্লাসরূম অহুম অসি শানবা থৌরাং তৌখি। মসিনা মরম ওইরদুনা থা মরিগী মতুংদা তাং ২৩/৩/২০১৮দা স্কুল অসিগী অনৌবা কম্মিটি শেম্নবা মীফম পাঙথোকখি। মীফম অসিদা শরুক য়ারখিদবা, নোংমতসু স্কুল অসিগী মরমদা অৱা-অনা শরুক য়াখিদবা মীশক অমা মতমসিগী হেদ মিষ্ট্রেসনা মীফম অদুদা খনখ্রবা মেম্বর অমগী মহুৎতা হাপচিল্লগা জেদ ঈ ও ককচীংদা অয়াবা পীনবা থাগৎলকপদগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোরকখি। মদুনা মরম ওইরদুনা জেদ ঈ ও ওফিসনা তৌফম খঙদনা থা অনী চুপ্না কম্মিটি অসি অয়াবা পীদ্রবা মতুংদা পূম্নমক্কী খল্লগা অয়াবা পীখি। হেদ মিষ্ট্রেস অসিনা মানা থৱায় লুপচরিবা পোলিটিকেল পার্টি অমগী মীওইশিং খোমজিন্দুনা অরানবা থবক কয়া তৌখিবদগী লমজাও অপ্পর প্রাইমারি স্কুল শাবগী থবক থেংথখি। থিকাদারদা শিন্নদুনা থবক শূহনবা ওইরবদি মসি শঙ্গাবা মতম হেল্লবনি। লৈকায়গী, হৌরক্লিবা অঙাংশিংগী খঞ্জরগা, ঐহাক ইশামক্লা বোড়া থারগা লাইরিক তল্লকখিবা স্কুল অসিগী অনৌবা ক্লাসরূমশিং নৌনা শানবা তৌবীরিবা পূম্নমকপু থাগৎচরি।

*অদোমগী - চা-খোম্মৈ, হান্নগী এমসুগী ভাইস প্রসিদেন্ট*
*লমজাও মখা লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৭

১। মৈতৈ ঐখোয়গীসু কুইরবা মতমদগী থাজৎ (কেলেণ্ডর) পাবা শীজিন্নরক্লে।
(ক) নোংমবু শরুক ৮ থোক্লা খায়দোক্লগা শরুক অমবু করি কৌবগে?
(খ) চাউরাক্লা নোংমদা মৈতৈ পুংশিং কয়া লৈবগে?
২। "নহাক্কী নুংশিরবা কুহু খোঞ্জেল তাবদা/নীংশিংলক্লে ইরৈবাক, মরুপ মপাং নুংশিবা।" পরেং অনীসি কবি ইরাবতকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। "ঙসিতমক খঙলকই/অঙাঙবা মচুগী ফজবা/অদুবু/চিংলি লেপ্তুনা/লম্বীসিনা ঐবুদি।" পরেংশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "অনৌবা ঊনাগা/ঐগী পূক্নিংগা/অয়ূক খুদিংগী/তত্তনা খৎনৈ।" পরেংশিং অসিনা 'নিংঙাই' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক 'লমহাংগী মালং মহাক্কী শমলাঙ' কৌবা অদুগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

# খামেন অশিনবা অমসুং ঈশিং নুংশিৎ

**ডা: এম থোইথোই সিংহ**

**মণিপুরদা** চহী চুপ্পা খামেন অশিনবা ফংই। থাদবা থা লৈতে। চহী চুপ্পা ফংই। তাঙবা হোঙবগী ৱাফমখক্লি। নৌনা এঞ্জাং নাপী থাবা হৌরকপা মীওইসু কৈথেলগী ফীভম, চান্নরিবা, পাম্নরিবা কয়াসি উরগা খামেন অশিনবদা অহানবা ওইনা খূৎ থানৈ। খামেন অশিনবা থাবদা খঙদবা য়াদবা কাঙলোন শোয়খিবা কয়ানা পোত্থোক পুথোকপদা ৱাহল্লি। অখঙবা, খূৎলোইরবা মীওই কয়ানা খামেন অশিনবা থাবা নুংঙাই। শেল কোম্না ফংই হায়।

খামেন অশিনবসি শাগৎলকপা মতমগী পাম্বী ওইরবসু চহী চুপ্পা থাদুনা পুথোক্লরে। অদুমকপু চেকশিন্নিংঙাই ওইবা ৱাফম কয়ামুক্তি লৈরি।

অইং-অশা, হার অমসুং ঈশিংগী চাং শোয়বদগী পোত্থোক্কী চাং নেম্বা তোয়না থেংনরি। মহৈ অমসুং পাম্বীদা হোংলক্লিবা মওংশিংদু লায়না তীলনানি খন্দুনা মখল কয়াগী হীদাক শীজিন্নবা তোয়না থেংনরি। লায়না তীলনাগী হীদাক শীজিন্নবা হায়বসিমক শেল, পাঙ্গল, পোত্থোক অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা শোকহল্লিবনি। মরমসিমক্লা তোয়না থেংনরিবা সমস্যা কয়াসি খঙদোকপা দরকার ওইরি।

**অইং-অশা :** কালেনগী পাম্বী ওইরবসু য়াম্না শাবা মতমদা মহৈ তম্বা ঙমদে। মপাল অমসুং মহৈ নীংথিনা তম্নবগীদমক নুংথিলগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ২৫ অমসুং নুমিদাংগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮ হায়বসি য়াম্না পক্লে।

শাদা শাখ্রবা নৎত্রগা নিংথমথাগী য়াম্না ইংবা মতমদা মপান কেনবা, মহৈ তম্বা ঙমদবা তোয়না থেংনৈ। নুংথিলগী মতমদা সেলসিয়স দিগ্রি ৩২, নুমিদাংদা সেলসিয়স দিগ্রি ২২ গী মথক অমসুং নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮ অমসুং ১২ গী মখাদা লৈখ্রবদি মহৈ তম্বা ঙমদে। মরম অসিনা হৌখিবা নিংথম থাদা মপাল তোয়না কেনবা, মহৈ তম্বা ঙমখিদবগী সমস্যা তোয়না থেংনখি। হন্দক্তসু সেলসিয়স দিগ্রি ৩২.২ য়ৌখি। নোংমরেং ফরগা মহৈ পানবগী চাং নেম্বা তোয়না থেংনৈ। নিংথম থাদা নৎত্রগা কালেনগী মতমদা ঈশিং ৱাৎপনা মপাল কেনবা, মহৈ তম্বা ঙমদবা নৎত্রগা মহৈ চাওবা ঙমদবগী সমস্যা তোয়না থেংনরি। নোংজুথা য়ৌরক্লবা মতমসিদদি ফৈদোম ৱাংনা চিংখৎহৌবা, অহেনবা ঈশিং খুদিংমক চিথফম শেমহৌবা মফমশিংদি লায়না তাবগী চাং হন্থে। লৈবাক্তা ঈনিলগী চাং ৱাংবনসু মনাদা মকু মকু তৌবী তীলনাগী চাং হেনগৎহল্লি। মরম অসিনা লৈবাক্তা ঈনিলগী চাং চানা থম্নবগীদমক নিংথম অমসুং কালেনগী চানগদবা মওংদা কাঙলোন চুম্না অমসুং চাং নাইনা ঈনিল লৈহন্নবা ফৈদোম চিংখৎকনি অমসুং ঈশিং পীগনি।

তাবনিনা থোইদোকপা অকায়বা লৈত্রবসু চেকশিন্নীংঙাই ওই।

অশাবা মতমসিদসু মপূং ফারবা খামেন অশিনবা কয়া ঙাঙবা ঙমদনা নাপু চংলপ লৈবা থেংনরি। অতোং অকুৎ নাইবগা লোয়ননা উৎমানবা শংলি শংলিবা মচুগা নাপু চংনা লাংবা খামেনশিং থেংনরিবনি।

হার হায়ব্রীদ অমসুং হায়ব্রীদ নত্তবা খামেন অশিনবা পাম্বী অনীসিদা

**শঙম অমদা চংগদবা হারগী চাং**

| খামেন অশিনবা মখল | নাইট্রোজেন | ফোসফোরস | পোটাস |
|---|---|---|---|
| হায়ব্রীদ | ৪৫ | ৩৮ | ৩০ |
| হায়ব্রীদ নত্তবশিং | ৩০ | ২০ | ১২ |

পীগদবা হার অসি অসুক্কী মতিক খেন্নৈ। হায়ব্রীদনা হার হেন্না চঙই। ফোসফোরস তঙ্খায়মুক খেন্নৈ। পোটাসনা তঙ্খায় হেন্না খেন্নৈ। অদুমকপু নাইট্রোজেনগীদি তঙ্খায় য়ৌনা খেন্নদে শরুক অহুম থোকপগী অমখক হেনগৎনা শীজিন্নৈ।

ঐখোয়না লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্তনা মখল কয়াগী হার শীজিন্নবা অমসুং দরকারগী ৱাংমদা হেন্না ফনবনি খন্দুনা নাইট্রোজেনগী চাং ৱাংনা হাপচিনবনা লায়নাশিং তানবগী মরম ওইবতা নত্তনা খামেন অশিনবগী মনুং হাম্বা, চাওফম থোকপা চাংদি য়ৌজরবসু ইয়াং য়াংবগী লায়ওংসি তত্তনা উৎলি। কাঙলোন চুম্বা অমসুং পোত্থোক ৱাংনবগীদমক্তি লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোক্লগা থারিবা মরু মখলদুগা চাননা চপ চাবা চাংখক্কী হারদু মতম চানা হাপ্পসিনি।

**ঈশিং :** খামেন অশিনবদা ঈশিং য়াম্না তোয়না পীবা দরকার ওই। অদুমকপু ঈশিং হেনজিন্না পীরবসু পাম্বীগী মনা, মশা-

**খামেন অশিনবা চেকখায়বা :** খামেন অশিনবদা মওং কয়াদা চেকখায়। পানফম মখোক ময়াদা য়ুংনা য়ুংনা চেকখায়বা অমসুং অশংবা খামেন অশিনবগী ময়ায় থংবা শরুক্তা ইকোয় কোয়না চেকখায়বা থেংনগনি।

**চেকখায়বগী মরম :** (১) কংনা লৈরুরবা মতুংদা নোংখংলাক লাকশিন্দুনা ঈনিল খংৱাং ৱাংখৎলকপা।
(২) চাং নাইনা ঈশিং পীহৌদবা।
(৩) নুংথিল অমসুং নুমিদাংগী মতমদা অইং অশাগী চাং খংখেৎ খেন্নবা।
(৪) খামেনশিংদা অয়াকপা নুংশাগা অয়েননা লৈবা।
(৫) বোরোন ৱাৎপা।

**কন্নবা পাম্বে :** (১) ঈশিং চাং নাইনা পীনবা হোৎনগনি।
(২) খামেন অশিনবগী মশা থাদোক্তবা ফৈ। মশা থাদোকপনা খামেনদা নুংশা য়ৈবা হেনগৎহনবদা নত্তনা ভাইরস লায়না শন্দোরক্লবা মরম অমসু ওইহল্লি।
(৩) ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা নাইট্রোবোরেক্স মিলিলিটর ১৫ য়ানশিল্লগা কাপথোকপা য়াই। চপ চাবা লায়ওং খঙদোক্লগা হীদাক কাপসি হায়বা ৱাফমসি থমজগে।

# শেন্দোং লৈনা ব্রোকোলি থাবগী মরমদা খঙজিনমিন্নসি

**এস সুমঙ্গল সিংহ**



**ঙসিদি** ব্রোকোলিগী মরমদা খরা খঙজিনমিন্নসি। খরা ঙন্না পুথোক্কে খল্লবদি ওগষ্ট থা য়ৌরকপসিদা মরু হুন্নবা শেম শাবা অমদি মরু হুনবা মতম চারে খন্দুনা থৱায় য়াওবা ইচিন ইনাওশিংগী মফমদা পাউজেল অসি থমজবনি।

কোবিলৈ (থমচেৎমানবী) গা য়াম্না মান্নবা পাম্বী অসি কোবিলৈগী হৌরকফম মমা মপানি হায়না লৌনৈ। ব্রোকোলি মখল কয়া অমা লৈ। মচুদা খাইদোকপা তারবদি হীগোক ওইরপনা শংবা, নাপু ওইরপ শংবা, অঙৌবা, মঙ্গ্রা মচু অসিনচিংবা কয়ানি। ইন্দিয়াগী ওইনসু মসি অনৌবা পাম্বীনি হায়না লৌবা য়ারি। হায়বদি পাম্বী অসি য়াম্না পাক শন্না থানদ্রি হায়বনি। মেত্রোপোলিটান সিটিশিংদা অখন্নবা হোটেলশিংগী মেনুদা ফংবা য়াম্না মগুন লৈবা অতাংবা মথেল ওইনা লৌনবা এঞ্জাং মখলনি। অদুবু মসি তপ্না তপ্না শন্দোরক্তুনা ঙসিদি মণিপুরদসু য়ৌরকখ্রে। পাম্বী অসিগী মগুন খঙবা মীওইশিংতনা পাম্না লৈনবা ওইনা তৌরি। অহানবা মণিপুরগী কৈথেলদা থোক্লকপা মতমদা অশোয়বা কোবিলৈ ওইনফাওবা পাউথোক্লদুনা য়োনবা শিৎতবগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রে। অদুবু হৌজিক্তি পাম্বী অসি ময়াম্না মশক খঙনরবা মগুন লৈবা মথেল অমা ওইনা লৌনরক্লে। তশেংনমকসু এঞ্জাং মখল অসি মগুন য়াম্না লৈবা অমনি। পাম্বী অসিদা এন্টিকার্সিনোজেনিক হায়বদি কেন্সর নারক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙন্বা মচল কয়া অমা য়াওরি হায়বা খঙনরকপদগীনি। অসিদসু নত্তনা ব্রোকোলি অসি কোবি মখলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না হকচাংগী মচিগী শরুক য়াওবা পাম্বী মখলনি। পাম্বী অসিদা আইরনগী চাং য়াম্না ৱাংনা 205mg./100gm, ভিটামিন A 9000IU/100 gm, থাইমিন 33mg/100gm, ভিটামিন 137mg/100gm য়াওই। অসিদসু নত্তনা ভিটামিন ঈ, মিনরেলদা কেলসিয়ম য়াওরি। য়াম্না মরু ওইবা অমনা ক্রোমিয়ম য়াওবা মরম্না ঈদা কোলেষ্টেরোল হায়রিবা পোৎশক অসি অফবা মখলগা ফত্তবা মখলগা চাং চানা থম্বদা থৌদাং চাউনা লৌবা ঙন্বা পোৎলমনি হায়রি। এল দি এল হায়রিবা ফৎতবা কোলেষ্টেরোল নেমথহনবগা লোয়ননা ঐচ দি এল হায়রিবা অফবা কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎহন্দুনা মখল অনী অসি খল চানা থম্বা ঙম্মী হায়বনি। পূম্নমকশিং অসি লৈবনা ব্রোকোলি থাবগী মরমদা খরা খঙজিনমীন্নবা কান্নগনি খল্লি।

মখল : অহানবদা মচুগী মখল খরা থমজখ্রে। হৌজিক মণিপুরগী লৈহাওদা চান্নরবা মখল (ভেরাইটি) খরা থমজগে।

গ্রিন মেজিক : মখল অসি জপানগী সকাটা কম্পেনিনা পুথোকপা হিগোক ওইরপ শংবা মখলনি। মখল অসি নুমিৎ ৬৫-৭০ ফাওবদা লোকপা য়াবা মখলনি। মনাগা লৈগা চাং হায়রপ মান্ননা পানবা মখলনি। খরা নিংথিনা হোৎনদুনা থারবদি লৈগী অরুম্বা অসি কিলো মখায়দগীনা কিলো অমা খরা হেন্না লূম্বা ঙম্মী। সেপ্টেম্বর থাদা মরু হুনবনা খ্বাইদগী চান্নবা মতমনি। ওগষ্ট থাদা মরু হুনবসু য়াই। মতমসিদা হুনবনা ওক্টোবর-নবেম্বর লোন্নবদা খরা ঙন্না পুথোক্তুনা য়াম্না তাঙনা য়োনবা ঙমহল্লি। লৈ চাওবদি মতমসিদা থাবদা খরা হন্থবা থেংনৈ। য়াম্না থেংনা দিসেম্বর থাদা হুল্লবদি শাগৎলকপা মতমদা লৈ শাৎতুনা লৈ ফজবা ঙমদে, লৈ পীকই অমসুং চারা চরাই। মরমদি ব্রোকোলি অসি অশাবা মতমদা নিংথিনা লৈ শাৎপা ঙমদবা পাম্বীনি। অসিদসু নত্তনা diamond backed moth হায়রিবা য়াম্না শাথিরবা তীল মখল অসি তাদুনা লৈগী মগুন য়াম্না হন্থহল্লি।

লায়না তীলনা : অতৈ কোবিদা তাবা খুদিংমক ব্রোকোলিদসু তাবা থেংনৈ। অখঙ অহৈ তানদুনা মতম চানা ঙাকথোকসি।

ব্রোকোলি লোকপা : ব্রোকোলি মতম চানা লোকসি। লৈনা মপূং ফারবা, য়াম্না শাৎতোক্ত্রিঙৈ মতমদা হেকপনা মীনা পাম্বা হেল্লি। শাৎতোকখ্রবদি লৈগী মগুন হন্থে মীনা পাম্বা ৱাৎলি। মরু ওইবা ৱাফম অমনা লৈগী মখোক খরা শাংনা কক্কনি মরমদি মখোক অদু কোবিলৈগী মখোক্কুম কন্দে, মখোক অদুসু য়াম্না থোৎপা হকচাংদা কান্নবা, চাবদসু হাওবা শরুকনি। পাম্বী মখল অসিদি মশা তোঙাল্লি মরম অদুনা ব্রোকোলিবু sprouting broccoli হায়নসু খঙনরিবনি। লৈ ককখ্রবা মতুংদা নাকন্দা চোংলকপা মশাদা লৈ অদুমক শাৎকনি। মসিসু কৈথেলদা মমল চপ চানা য়োনবা য়াই। কনাগুম্বা কিটচন গার্দেন তৌবশিংনা মতম কুইনা থমদুনা ব্রোকোলি মতম শাংনা হেক্তুনা অদুমক চাবা য়াই।

শেন্দোং : কোবিলৈ থাবদগী ব্রোকোলিনা মমল ৱাংনা য়োনবা য়াবা মরম্না কোবিলৈদগী ব্রোকোলিনা খরা লূম্বা হন্থরবসু পাম্বী খরা কুংনা থাবা য়াবা মরম্না শেন্দোং হেন্না ফংবা থেংনৈ।

অরোইবদা থমজনিংবা ৱাফম অমনা ব্রোকোলি করম্না চাগনি হায়বসি খঙবা ফৈ। কা হেন্না মুল্লবদি মঙোন্দা য়াওরিবা হকচাংদা কান্নরবা মচলশিং মাঙবগী চাং ৱাংবনা মরম ওইদুনা হকচাংদা পীগদবা কান্নবশিং ফংদবা য়াই। কাঙহৌ ঙৌদুনা চারবসু অতৈ মচলশিংনা মুল্লমদাই মিনিট অমা অনী ৱাৎলিঙৈদা হাপ্লগা চাবনা হাওবসু হেনগনি, হকচাংদা কান্নবসু হেনগনি। চাকমাইদা ঙানবা, চম্ফুৎ ওইনা হাল্ফ বোইল তৌদুনা চাবসু অদুমক ফৈ।

লৈবাক শেম শাবা : নিংথিনা খোইদোক্তুনা শেন্নবা মফমদা ফৈদোম তাখৎতুনা ফৈদোমগী মরক্তা ইরম ফুট অমগী চাংদা নিংথিনা শেন্নগা থাসি। ফৈদোমগী অৱাংবা ফুটখাইদগী খরা হেলহনসি। ফৈদোমগী অপাকপদি পরেং অহুম নৎত্রগা মরি থাবা চন্নবা শেন্বা য়াই।

অরন অকুং : পাম্বীগা- পাম্বীগা সেমি ৪৫-৫০, পরেংগা-পরেংগা সেমি ৬০-৭০ লাপ্পনা থাবনা খ্বাইদগী ফৈ। পাম্বী চাওবা পীকপগী মখাসু পোনগনি।

হার হাপ্পা : হার মখল অহুম হায়বদি য়ুরিয়া:সুপর:পোটাশ মখল অহুম অসি শরুক ২:৩:১ নিংথিনা য়ান্নরগা পাম্বী মখোঙদা ইকোয় কোয়না মরা শোকহন্দনা, পাম্বীনা থারবা মতুং খূৎ লোনবা মতমদা হাপ্পনা খ্বাইদগী ফৈ। নৎত্রগনা মতমসিদা খুরপীগুম্বা, থাঙজৌগুম্বা অমনা পাম্বী মখোঙদা মরা শোকহন্দনা হন্দোক্লগা পুল্লপ পুল্লপ হাপ্পা অসিসু য়াম্না ফৈ। খুরপিনা হল্লগা হাপ্পগী মওংদি পাম্বীগী মখোংদগী চাওরাক্লা ফুটখায় অমা চৎথোক্লগা ইঞ্চি ৩-৪ গী চাং লুনা চঙনবা খুরপি অদু ফেল্লপনা লৈবাক্তা য়ুংশিনবীরবা মতুংদা চুম্না মুকখৎপীরো। অসুম্না মুখৎপা মতমদা লৈবাক্কা খুরপীগা তাইনবা কারক্তুদা খুৎতোন মঙানা পায়বদা য়ারকপা হার অদু থাদবিরো, খুরপি শৎতোকপীরো। অসুম্না হার হাপ্লগা মতুংদা ঈশিং চনবা কাউবিরোইদবনি। হাপ্পগী চাংদি, মথক্তা পঞ্জখিবা হার মখল অহুম অদু নিংথিনা য়ানশিন্নরবা মতুংদা মথক্তা পঞ্জখিবগুম খূৎতোন মঙানা পায়বদা য়াওরকপা অদুনা চপ চারে। মতুংদা হার ৱাৎপগী খুদম ফংলবদি অমুক্কা হন্না হান্নগুম হারগী চাংদি খরা হন্থহল্লগা হাপ্পীবা য়াই। নৎত্রগসু য়ুরিয়া ঈশিংদা তুহল্লগা পূন্না কাপ্পীবসু য়াই। চাংদি ঈশিং লিটর ১৫ গী পমদা য়ুরিয়া গ্রাম ১৫০-২০০ ফাওবা নিংথিনা তুমহল্লগা কাপ্পীবা য়ারে। ঙল্লবদি ষষ্ঠি ষণয়ুংগী হার অসি পরি অমদা ষণ গাড়ী মপোৎ ২৫-৩০, থাগদবা থা মখায় অমা ৱাৎলিঙৈগী মতমদা চাইথোক্তুনা খোইজিনহৌবা য়াম্না ফৈ। মসিনা মফম অদু তুং কোইনা লৈহাও চেনবা লম ওইহল্লি। হায়রিবা ষষ্ঠি ষণয়ুংগী হার অসিদি চহী খুদিংগী হাপত্রবসু চহী অহুম খুদিংগী হাপ্পীবা ফৈ।

প্রিন্সেস : হায়রিবা মখল অসিসু মণিপুরদা য়াম্না পক্লবা মখল অমনি। পাম্বী ৱাং চাউবা মথক্কী গ্রীন মেজিক্তগী হেল্লি। লৈগা মনাগা মান্ননা ঙমতক চৎলি। লৈগী মচুদি অনীসি চপ মান্নে। গ্রীন মেজিক্কা মতম অমত্তদা থামন্নিবদা মানা খরা থেংথৈ। নুমিৎ ৭৫-৮০ ফাওবদা লোকপা ঙম্মী। থাবগী মতমদি অনীমক চপ মান্নে।

Aishwarya : মখল অসিসু মচুদি মথক্কী অনীসিগা চপ মান্নে। গ্রীন মেজিক্কা হায়ফেৎ শাৎপগী মতম মান্নে। লৈদি ময়ায় তোংতক্লা বোল শান্না মতুম তাবা হেল্লি। লুম্বগী চাংসু অনীসি হায়ফেৎ মান্নে।

Sakura : মখল অসিসু জপানগী টোকিটা কম্পেনিনা পুথোকপা মখলনি, পাম্বী ৱাং চাউই। লূম্বগী চাংদি গ্রাম ৭৫০ দগী কিলো ১ খরা হেন্না ফাওবা লুম্মী। মতম খরা শাংনা চঙই।

অতৈ অতৈ মখল কয়া অমগী মরুসু মণিপুরগী কৈথেলদা ফংই অদুবু মণিপুরদা নিংথিনা চানরে খঙলবা মখলদি মথক্তা পঞ্জরিবা অহুম অসিনি হায়জনীংই। মশক খঙদবা থাগে হায়রবদি ইশানা হান্না পাম্বী খরদং থাদুনা চাংয়েংবা কাউবিগনু। য়াম্না থারুরগা লৈহাও অমদি মতম চান্নদবা মখল ওইরমদুনা শেন্দোং মাঙবা কয়া অমা থেংনদবা নত্তে। চেকশিনবীগনি।

লৈবাক লৈহাও : মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা ব্রোকোলি থাবা পক্লগনি। ফোলি তাবা, ঈরম নালা নিংথিনা লৈবা হায়বদি ঈশিং তুংশিনদবা মফমদনা খরা হেন্না পক্লে। $P^H$ 6-6.8 লৈবা মফমনা খ্বাইদগী পক্লে।

চারা হুনবা : কোবিলৈগা চপ মান্নে। পরেং নাইনা মরম য়াৎলগা হুনবনা খ্বাইদগী ফৈ হায়জনীংই। মরুদা captan নৎত্রগা canbendazim হায়রিবা হীদাক অসি মরু কিলো অমদা গ্রাম অনীগী চাংদা তোৎলগা হুনবনা মখ্বাং চেংদুনা পৎপী লায়নাদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। নৎত্রগা ত্রাইকোর্দমা য়াওবা ওর্গানিককী/বাইওগী হীদাক মরু কিলো অমদা গ্রাম ৮-১০ তোৎলগা হুনসি। ওর্গানিক্কা রসায়নগা কৈদৌনুংদা পূন্না মতম অমত্তদা শীজিন্নরোইদবনি।